# কোরোনাভাইরসনা মালেমগী স্পোর্টস ইভেন্টশিংদা লেপ্পা লৈতনা চৈথেং পীরি







ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

ইং ২০১৯ দিসেম্বরদগী চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌখিবা কোরোনাভাইরসনা ঙসিদি মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না অকিবা মওংদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরকপগা লোয়ননা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী স্পোর্টিং ইভেন্টশিংদা লেপ্পা লৈতনা চৈথেং পীদুনা ওলেম্পিক গেমস ফাওবা য়ৈথোক্তুনা অনৌবা মতম লেপখিবগা লোয়ননা মশান্না কয়াগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপশিং য়াওনা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি।

লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা নৌনা চৈথেং পীরিবা স্পোর্টস ইভেন্টশিং অদুদি *ওলেম্পিক*ঃ–

চহী অসিগী জুলাই ২৪ দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বদগী ইং ২০২১ গী জুলাই ২৩ দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্লবা নৌনা মতম লেপখি। ৱার্ল্ড এথলেটিক্সসু ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগী ইভেন্টশিং চহী অসিগী দিসেম্বর ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

*পেরালেম্পিক*ঃ–

চহী অসিগী ওগষ্ট ২৫ দগী সেপ্তেম্বর ৬ ফাওবা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা পেরালেম্পিক গেমসসু ইং ২০২১ গী ওগষ্ট ২৪ দগী সেপ্তেম্বর ৫ ফাওবা পাঙথোক্লবা মতম লেপখি।

*ওলেম্পিক ট্রাইয়েল*ঃ–

এপ্রিল ৪ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা য়ু এস এগী রেষ্টলিং মশান্নগী ট্রাইয়েল, রোৱিংগী অমদি এপ্রিল ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা দাইভিংগী ট্রাইয়েল য়াওনা য়ু এস এন্ দাইভিংগা মরীলৈন্নবা ইভেন্ট পুম্নমক এপ্রিলগী অরোয়বা চায়োল ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

*সোক্কর* ঃ–

মোরোকো এফ এগী মখাদা পাঙথোকপা এক্টিবিটি খুদিংমক অথিংবা থমখ্রে। মেক্সিকো লীগা এম এক্স অমদি নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ব্রাজিলগী অথিংবা থমখ্রে। কোপা অমেরিকা অমদি য়ুরো ২০২০ য়ৈথোক্তুনা ইং ২০২১ গী জুন ১১ দগী জুলাই ১১ ফাওবা পাঙথোক্লবা নৌনা মতম লেপখ্রে।

য়ু ই এফ এনা ক্লবশিংগী অমদি নেস্নেল টিম কম্পিটিসন নুপা অমসুং নুপীগী মেটচশিং শান্নদনবা ৱারেপ লৌখি। নুপী অমসুং নুপাগী চেম্পিয়ন লীগ ফাইনেল অমদি য়ুরোপা লীগ ফাইনেলসু মেদা পাঙথোক্কদবা অদু মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

য়ুরোপকী মকোক থোংবা লীগশিং হৌজিক ফাওবা শান্নবা ঙমদনা লৈরি অদুবু জর্ম্মনগী বন্দসলীগা ক্লবশিংদি চৎনা কাঙলোন অমগী মখাদা ট্রেনিং তৌবা হৌখ্রে।

সাউথ অমেরিকাগী অচৌবা ক্লব কম্পিটিসন কোপা লিভরতদোরিস অমদি কোপা সুদাঅমেরিকানা মে ৯ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

কোনকাকেফনা মখোয়গী চেম্পিয়ন্সিপ লীগ অমদি মেন্স ওলেম্পিক ক্বালিফায়র য়াওনা কম্পিটিসন পুম্নমক মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে। য়ু এস মেজর লীগ সোক্করনা হন্দক্কী সিজন য়ৈথোকখি। এসিয়ান অমদি সাউথ অমেরিকাগী ২০২২ ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং মেটচশিং মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

চাইনিস, জপানিস অমদি সাউথ কোরিয়ান লীগকী অনৌবা সিজন পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি। এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ লীগকী নোক আউট রাউন্দ সেপ্তেম্বর ফাওবা য়ৈথোকখ্রে। এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসননসু মার্চ অমসুং এপ্রিলদা পাঙথোক্কদবা এ এফ সি কপ ২০২০ মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

ব্রাজিল ফুটবোল কনফিদ্রেসননসু লৈবাক অদুদা ফুটবোলগা মরীলৈন্নবা এক্টিবিটিশিং মখা তাবা ওর্দর থোক্তিবা ফাওবা মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

চহী অসিগী নভেম্বর ২ দগী ২১ ফাওবা ইন্দিয়ানা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ফিফা অন্দর–১৭ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ অমদি ওগষ্ট অমসুং সেপ্তেম্বরদা পনামা অমসুং কোষ্টারিকানা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ফিফা অন্দর–২০ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপসু য়ৈথোক্তুনা নৌনা মতম লেপ্পা ঙমদনা লৈরি।

ইংলিশ ফুটবোল লীগকী প্রোফিসিনেল এপ্রিল ৩০ ফাওবা য়ৈথোক্লবসু পাঙথোকপা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈতে। কেমরুন অমদি চিলিনা টোকিও ২০২০গী মফম কন্নবগী শান্নবা মেটচশিংসু য়ৈথোকখ্রে। কনফিদরেসন ওফ অফ্রিকাগী ফুটবোলনা অফ্রিকান নেসন চেম্পিয়ন্সিপ এপ্রিল ৪ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা অদু য়ৈথোকখিবগা লোয়ননা অফ্রিকান চেম্পিয়ন্সিপ লীগ ফাইনেল অমদি কনফিদরেসন কপকী ফাইনেল মেগী অরোয়বা চায়োলদা শান্নবা পান্দম থল্লি।

*এথলেটিক*ঃ–

ইং ২০২১ দা ওরিগোনদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ৱার্ল্ড এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ অদু ওলেম্পিক গেমসনা নৌনা মতম লেপশিনলকপ্লা ইং ২০২২ দা পাঙথোক্লগনি। এপ্রিল অমসুং মেদা ক্বাটার, চাইনা, ষ্টোক হোম, নেপ্লস অমদি রাবাদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা দাইমন্দ লীগ মতম কক্তুনা য়ৈথোকষখ্র।

মার্চ ১৩ দগী ১৫ ফাওবা নানজিংদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড এথলেটিক ইন্দোর চেম্পিয়ন্সিপ নৌনা মতম লেপ্তুনা ইং ২০২১ গী মার্চ ১৯ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। লন্দন, পেরিস অমসুং বার্সেলোনাগী মরাথোনশিং মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

*বেদমিন্টন*ঃ–

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসননা ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িংগীদমক পাঙথোক্কদবা টুর্নমেন্ট ৫ মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে। ইন্দোনেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, থাইলেন্দ অমদি রুসিয়াদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেস্নেল টুর্নামেন্ট থা ৩ মতম চোম্বদুনা নৌনা মতম লেপখ্রে।

*বেজবোল*ঃ–

টাইৱানদা এপ্রিলদা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগীদমক পাঙথোক্কদবা অদু জুন ১৭ দগী ২১ ফাওবা নৌনা মতম লেপখ্রে। অমসুং জপান প্রোফিসিনেল লীগকী হন্দক্কী সিজন হৌবা ঙমদনা লৈরি।

*ভাস্কেটবোল*ঃ–

এফ আই বি এনা জপান অমদি চাইনা, ফিলিপিন্স অমদি থাইলেন্দ অদুগা চাইনা অমদি মালেসিয়াগী মরক্তা শান্নগদবা এসিয়ান কপ ক্বালিফাইয়িং মেটচশিংসু য়ৈথোকখ্রে। সিনিগেলগী দকারদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা ভাস্কেটবোল অফ্রিকা লীগসু য়ৈথোকখ্রে। বৃটিস ভাস্কেটবোল লীগ ২০১৯–২০ সিজনসু মখা তাবা নোর্টিস থোক্তিফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

ৱুমেন'স নেস্নেল ভাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা মে ১৫ দগী হৌদুনা সেপ্তেম্বর ফাওবা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ২০২০গী সিজন মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

*বোক্সিং*ঃ–

বোক্সিং ৱার্ল্ড বেক্সিং সুপর সেরিস ক্রুইসর ৱেটগী ফাইনেল লাটবিয়াগী রিগাদা মার্চ ২১ দা শানগনি তৌরম্বা অসি মে ১৬ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে। আই ও সি বোক্সিং তাক্স ফোর্সনা লন্দনদা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ান ক্বালিফাইয়র অমদি অতোপ্পা ইভেন্টশিং মে ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

জুন ২০ দা টোতেহাম হোষ্টপুদ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড হেবিৱেদ টাইতল মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

*কেনোৱিং*ঃ–

মেদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা পেরাকেনো ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ কেনিয়ো স্প্রিট ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়র অমদি দি আইসে কেনিয়ো স্প্রিট ৱার্ল্ড কপ মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।মে,জুন অমসুং জুলাইদা টোকিওদা পাঙথোক্কদবা প্রি ওলেম্পিক কেনিয়ো স্লালোম ট্রেনিং কেম্প য়ৈথোকখ্রে।

ইটালি অমসুং ফ্রান্সতা জুনদা পাঙথোক্কদবা আই সি এফ কেনিয়ো সোলোম ৱার্ল্ড কপ য়ৈথোকখ্রে।

*ক্রিকেট*ঃ–

ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দগা শান্নগদবা মেটচশিং মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে। ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকানা শান্নগদবা ও দি আইগী মেটচ ৩ নৌনা মতম লেপ্পবা য়ানখ্রে। অমদি ইংলেন্দ অমসুং শ্রীলঙ্কানা শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ ২ য়ৈথোক্তুনা মতম লেপ্পা ঙমদনা লৈরি।

*সাইক্লিং*ঃ–

ইন্টরনেস্নেল সাইক্লিং য়ুনিয়ননা ইভেন্ট খুদিংমক এপ্রিল ফাওবা শান্নবা থিংখ্রে। তোর দি য়োক্সসিরসু এপ্রিল ৩০ দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু মে ৩ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে। য়ু এ ই টুরগী অরোয়বা ষ্টেজ অনী ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইটালিয়ান ২ পোজিটিভ ওইরকপদগী মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

*গোল্ফ*ঃ–

প্লয়র চেম্পিয়ন্সিপ রাউন্দ অমা শান্নরল্লবা মতুং য়ৈথোকখ্রে। অফ্রিকাস সন সাইন টুরসু অনৌবা মতম লেপত্রি ফাওবা শান্নবা লেপ্লগনি। কালিফোনিয়াগী সেন ফ্রান্সিকোগী টি বি সি হারলিং পার্কতা পাঙথোক্কদবা পি জি এ চেম্পিয়ন্সিপ মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

ওপন চেম্পিয়ন্সিপ, দি মাষ্টর, পি জি এ চেম্পিয়ন্সিপ অমদি য়ু এস ওপন মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে। য়ুরোপিয়ান টুরসু পাঙথোক্কপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবগী ৱারেপ লৌবা ঙমদনা লৈরি।

*হোরস রেসশিং*ঃ–

রেস ক্রোস আইন্ট্রিদা এপ্রিল ৪ দা পাঙথোক্কদবা গ্রান্দ নেস্নেল য়ৈথোকখ্রে। অমদি কেন্টুকি দারবি নৌনা মতম লেপ্তুনা সেপ্তেম্বর ৫ দা পাঙথোক্লগনি লোয়ননা বৃটিস হোরস রেসশিং ওথোরিটিনা লৌখিবা ফিরেপনা গ্রেট বৃটেনদা রেসশিংগা মরী লৈন্নবা ইভেন্ট খুদিংমক এপ্রিলগী অরোয়বা চায়োল ফাওবা শান্নবা থিংখ্রে।

মশান্না অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংনা খৎন্নরিবা য়ুনাইটেদ আরব ইমরারেদ (য়ু এ ই)দা পাঙথোক্কদবা দি দুবাই ৱার্ল্ড কপ চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লরোই। অমদি রোয়েল স্কোদ ভাবক অমত্তা য়াওদনা পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি।

*মোটোর স্পোর্টস*ঃ–

ক্বাটারগী সিজন ওপন্নর য়ৈথোকখ্রে। থাইলেন্দ গভর্ণমেন্টনা সেদ্যুল রেসসু ওক্টোবর ফাওবা য়ৈথাকখ্রে। গ্রান্দ প্রীক্স ওফ দি অমেরিকা নবেম্বরদা পাঙথোক্লবা নৌনা মতম লেপখিবগা লোয়ননা অজেন্তিনা জি পিসু নবেম্বরদা পাঙথোক্লগনি। ক্বাটারদা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা ৱার্ল্ড সুপর বাইক রেসসু য়ৈথোকখ্রে। স্পেনিস ৱার্ল্ড সুপর বাইক ওক্টোবর ফাওবা শাঙদোকখ্রে। অজেন্তিনাদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড রেলি চেম্পিয়ন্সিপ অমদি মেন টিটি রেসসু য়ৈথোকখ্রে।

ফোর্ম্যুলা ৱানগী ইভেন্ট কয়া য়ৈথোকখ্রে। খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা য়ৈথোকপ্লা জুন ১৪ দা পাঙথোক্কদবা কনাদিয়ান গ্রান্দ প্রিনা ওইরি। জুন ১৩ অমসুং ১৪ দা পাঙথোক্কদবা লি মেনস ২৪ ওৱার রেস সেপ্তেম্বর ১৯ অমসুং ২০ দা পাঙথোক্লগনি। ইন্দিয়ানাপোলিস ৫০০সু ওগষ্ট ২৩ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

*রগবি*ঃ–

নেসন ৬ কী মেটচশিং য়ৈথোকখ্রে। রগবি য়ুরোপিয়াননা মেটচ খুদিংমক অথিংবা থমখ্রে। ফ্রান্স রগবি ফেদরেসননসু অথিংবা থল্লি। মেদা মসাইলিদা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়ন কপ অমসুং চেলেঞ্জ কপ টুর্নামেন্টগী সেমি ফাইনেল অমসুং ফাইনেল মতম ক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

*সুটিং*ঃ–

চহী অসিগী মে থাদা ন্যু দিল্লিদা অমসুং বকুদা জুন দগী জুলাই ফাওবা পাঙথোক্লবগী শেম শারম্বা ২০২০ আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

*সুরক্কর*ঃ–

এপ্রিল ১৮ দগী মে ৪ ফাওবা সি ফিল্ডগী ক্রুক্রুবাইল থিয়েটরদা পাঙথোক্লবগী শেম শারম্বা ৱার্ল্ড সুরক্কর চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোক্তুনা জুলাই নৎত্রগা ওগষ্টতা পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি।

স্বিম্মিং ঃ–

হঙ্গেরিগী বুদাপেজদা মে ১১ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ২০২০ য়ুরোপিয়ান এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোক্তুনা ওগষ্টতা নৌনা মতম লেপখ্রে।

*টেনিস*ঃ–

ৱার্ল্ড ৱার–২ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ৱিলবন্দন চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোকখ্রে। প্রোফিসিসেনল টেনিস পুম্নমক জুলাই ১৩ ফাওবা অথিংবা থমখ্রে। ফ্রান্স ওপন মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। লোয়ননা এপ্রিল ১৪ দগী ১৯ ফাওবা বুদাবেজদা পাঙথোক্কদবা ফিট কপ ফাইনেলসু মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

## সনরাইজর হায়দ্রাবদনা লুপা ক্রোর ১০ মতেং পাঙলগনি




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ক্লব সনরাইজরস হায়দ্রাবদনা থাংজ নুমিৎতা লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকবু লাম্হেংনবগীদমক ক্লব অসিনা লুপা ক্রোর ১০ মতেং পাঙলগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

টুইটরগী খুৎথাংদা হায়, সন টিভি গ্রুপ ( সনরাইজরস হায়দ্রাবাদ)না কোভিদ–১৯ রিলিফ ফন্দদা ক্রোর ১০ মতেং পাঙনবা ৱারেপন্নরে হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগতা শান্নবা কিংস এলবেন পঞ্জাব অমদি কোলকটা নাইট রাইদরসনসু গভর্ণমেন্টনা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকপু লাম্হেংনবদা মীয়াম্না মতেং পাঙনবা শেমখিবা পি এম–কেয়র ফন্দদা মতেং পাঙনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈরে।

নীংশিংবা য়াই মদুদি লৈবাক অসিগী ক্রিকেটকী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া ( বি সি সি আই)না পি এম–কিয়র ফন্দদা ক্রোর ৫১ গী মতেং পাঙনবা লাওথোকখিবগা লোয়ননা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট সৌরভ গঙ্গুলি, রোহিট শর্ম্মা পি এম–কেয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৪৫ অদুগা সি এম মহারাষ্ট্রা রিলিফ ফন্দদা লুপা লাক্ষ ২৫, অজিঙ্কে রহানে,গৌতম ভম্ভির, ভিরাট কোহলি , য়ুসুপ পথান , ইর্ফন পথান অমদি য়ুবরাজ সিংহ, সুনিল গভাস্কর অমদি চিটেশ্বর পুজরাসু মখোয় মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা লাইচৎ অসিগীদমক তেংবাঙখিবা লৈরে।

ক্রিকেটর সুরেস রাইনানা পি এম– কিয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৩১ অমদি য়ু পি চীফ মিনিষ্টর দিজাষ্টর ফন্দদা লুপা লাক্ষ ২১ মতেং পাঙখ্রবনি। সাচিন টেন্দুলকরনসু পি এম–কিয়র ফন্দদা লুপা লাক্ষ ২৫ অমসুং চীফ মিনিষ্টর ওফ মহারাষ্ট্রা রিলিফ ফন্দদনা লুপা লাক্ষ ২৫ মতেং পাঙখ্রে।

## সাউঠহেমন্টন এফ সিনা তলব হন্থবদা য়াখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

সাউঠহেমন্টন এফ সিনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ক্লবতা অহানবা ওইনা শান্নরোই অমদি কোচিং ষ্টাফশিংগী তলব খরা হন্থবদা য়াবা লীগ অসিগী অহানবা ক্লব ওইখ্রে। ৱারেপ অসি কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা ক্লব অসিনা নঙলিবা শেল থুমগী ফিভমগী অৱাবদা খরামখৈদি শাফনবগী লৌখিবা ৱারেপনি।

ক্লব অসিনা শাগোলশেল নুমিৎতা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ক্লবকী বোর্দ ওফ ডাইরেক্টর, ফাষ্ট টিম মেনেজর, কোচিং ষ্টাফ অমদি ফাষ্ট টিম স্কৱাদনা এপ্রিল, মে, জুন থাগী তলবতা হন্থনা লৌবদা য়ান্নরে। মসিনা ক্লব অসিগী তুংগীদা অমদি অতোপ্পা ষ্টাফশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি হায়খি।

জুন ফাওবগী লৌখিবা ৱারেপ অসিনা করিগুম্বা অহোংবা লাক্লবসু হান্না মাঙজৌন্না অমদি মরিক চূম্না কথোক্লিবা মখোয়দা খঙহনগনি হায়খি।

প্রেমিয়র লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টোতেহাম অমদি ন্যুকাষ্টলনা লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টনা নেস্নেল লোকদাউন থম্বদা অৱাবা মায়োক্লরিবা বিজিনেসশিংগীদমক্তা পাঙথোকপা স্কিমগী খুদোংচাবা লৌখিবা লৈরে।

প্রেমিয়র লীগকী শান্নরোইশিংনা লৌখিবা য়ুমজকৈশা নুমিৎতা প্লেয়র টুগেদর হায়বা কেম্পেন অমা হৌদোক্তুনা এন ঐচ এসগীদমক ফন্দ তানশিন্নবা অমসুং পেন্দেমিক অসিনা শোকহল্লবা মীয়ামশিংদা মতেং পাঙনবা কেম্পেন পায়খৎখ্রবনি। সোসিয়েল মেদিয়াগী খুৎথাংদা প্রেমির্য়র লীগকী শান্নরোইশিংনা কেম্পেন অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা লীগ অসিগী তোঙানবা তোঙানবা ক্লবশিংগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী তলবতগী কন্ট্রিব্যুসন তৌগদবনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

## সোন মিল্টরি ট্রেন্নিং তৌরগনি

লন্দন, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

টোতেহাম হোষ্টস্পরগী ষ্ট্রাইকর ওইনা শান্নবা সাউঠ কোরিয়াগী সোন মিন হিয়ুং লৈবাক অদুগী চৎনা কাঙলোনগী মতুং ইন্না চহী ২ রোম মিল্টরিদা থবক তৌরম্বা মথৌ তাবনা ফুটবোল্লর অসিনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগনা মতম কক্তুনা শান্নবা লেপ্লিঙৈ মনুংদা সাউঠ কোরিয়াদা মিল্টরি ট্রেন্নিং তৌরগনি হায়রি।

লন্দনগী ক্লব টোতেহামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সোন ইংলিশ প্রেমিয়র লীগনা মতম কক্তুনা য়ৈথোক্তুনা লৈরিঙৈ মনুংদা মহাক্কী পোক্লফম সাউঠ কোরিয়াদা মেল্টরি সার্ভিস য়াওরগনি, সোননা মীল্টরি সার্ভিস অসি থা অসিদগী হৌরগনি অমদি মহাক লন্দনদা মেদা হলক্কনি হায়রি।

সোন ফেব্রুৱারী ১৬ দা এষ্টোন ভিলাগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মপাম্বোদা তেকপদগী ফগৎলক্তুনা লৈরিবনি।

## দুবাই হোম মরাথোননা মীওই কয়াগী পূক্নিং চিঙশিনগদৌরি

দুবাই, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

লৈবাক ৬২ দগী লাকপা লমজেলোয় পূন্না ৭৪৯ না শরুক য়াদুনা ইরাই নুমিৎতা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা দুবাই হোম মরাথোনদা মীওই কয়াগী পূক্নিং চিঙশিনগদৌরি। কিমি ৪২ শাঙবা মশা মশাগী মর্য়ুমদা পাঙথোক্কদৌরিবা লমজেল অদুদা শরুক য়াঁগদৌরিবশিংনা চেনিংবা মওংদা চেনবা য়ারগসু ট্রেদ মিন নৎত্রগা অতোপ্পা ট্রেন্নিং ইক্যুমেন্টশিং য়াওরগা অমদি মীয়াম তিনবা মফমদা থোক্লগা চেনবগী অয়াবা লৈতে।

নুপা ৫২৬, নুপী ২২৩ না শরুক য়াগদৌরিবা মরাথোন অসিদা চহী ১৮ দগী ৬৫ ফাওবগী লমজে লোয়শিংনা শরুক য়াবা য়ারি। মরাথোন অসি য়ু এ ইগী মতমদা অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

দুবাই স্পোর্টস কাউন্সিল এসিক মিল্ড ইষ্ট অমসুং ৫ঃ৩০ রন ক্লবনা দি এস সিগী মখাদা বি ফিট, বি সেফ এন্দ ষ্টে হোম হায়বা কেম্পেনদা পাঙথোক্কনি। শরুক য়াগদবশিংনা ফিজিকেলি গ্রাউন্দা চেনবা অমদি য়ূমগী অকোয়বদা চেনগদবনি।

শরুক য়াগদৌরিবা লমজে লোয়শিংনা মখোয়দা ফুল চার্জ ওইরবা স্মার্ট ৱাটচ নৎত্রগা স্মার্ট ফোন শীজিন্নদুনা ষ্টারবা এপ্লিকেসন ষ্টোল তৌদুনা এক্টিবেট তৌবা মথৌ তায়। মখোয়না ষ্টারবাদা মরাথোন এট হোমগী গ্রুপ য়াওবা মথৌ তারি অমদি এপ্লিকেসন অসিগা মতম পূম্নমক্তা কনেক্ট তৌদুনা লেঙওৎপগী মওং অমসুং কয়াম য়াম্না শাঙনা চেনবগে হায়বদু এপ্লিকেসন অসিনা ট্রেক্কিং তৌগদৌরি।

## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা নেস্নেল হেলঠ সার্ভিসতা মেদিকেলগী পোৎলমশিং মতেং পাঙখ্রে




মেঞ্চেষ্টর, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা নেস্নেল হেলঠ সার্ভিস ( এন ঐচ এস) দা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিকপু লাম্হেংনবদা মতেং পাঙবা ওইনা মেদিকেলগী পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে।

ক্লব অসিদা মতম শাঙনা কোচগী ফম পুরম্বা এলেক্স ফ্রগেসন য়াওনা পায়খৎখিবা খোঙথাং অদুনা ক্লব অসিগী মখাদা লৈবা ফাউদেন্সন অমনা পোট্রেটিক, মেদিকেল অমদি লিশিং ৩৫০০ গিফ ওইনা শাম্ফোদ অমদি মেঞ্চেষ্টরদা লৈবা নেস্নেল হেলঠ সার্ভিস ফাউদেন্সন ট্রসকী ষ্টাফশিংদা মতেং পাঙখিবনি।

ক্লব অসিনা মখা তানা মথৌ তারবদি মখোয়গী ওল ট্রাফোদ ষ্টেদিয়মদা লৈরিবা খুদোংচাবশিং য়াওনা ফাউদেন্সনগী মখাদা লৈবা গাড়ি ১৬ সু এন ঐচ এসদা খুৎশিন্নগনি হায়রি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা থাদোরকপা চেরোল অদুদা এন ঐচ এসদা মতেং পাঙন্নবগীদমক মতম পূম্নমক্তা ক্লব অসিনা হোৎনগনি। ক্লব অসিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎন্দুনা অতোপ্পা মেদিকেল পোৎলমশিং য়াওনা পোটেটিভ ইক্যুমেন্টশিং মতেং পাঙল্লি। এন ঐচ এসনা লুরবা মতম অসিদা কথোকপগা লোয়ননা চঙশিনলিবা খোঙচৎ অসিদা ক্লব অসিনা অপেনবা পোকই হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনাসটেদকী হান্নগী মেনেজর এলেক্স ফ্রগেসননা হায়, হৌজিক্তী মীয়াম পূম্নমক্না নেস্নেল হেলঠ সার্ভিসপু মশক খঙবিরকপা অসিদা অপেনবা পোকই ঐহাক্কী হৌখিবা চহী ২ গী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমদা মখোয়না ঐগী পূন্সি কনবিরকখিবনি।

মখোয়না লাইচৎ অসিগীদমক লৌরিবা থৌদাংশিংনা ক্লব অসিদা নৎতনা বৃটিস মীয়াম্না মখোর্য়বু মীনুংশিগা লোয়ননা থাগৎফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

ক্লব অসিগী হৌজিক কোচগী ফম পুরিবা ওলি গুনারনা হায়, নেস্নেল হেলঠ সার্ভিস ষ্টাফ অমদি ভলুন্টিয়রশিংনা লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবগীদমক মখোয়গী পূন্সিবু রিস ওইদুনা মীয়াম পূম্নমকপু মশা মউ ফনা লৈনবা হোৎনরি। মখোয়বু মীয়ামশিংনা থাগৎফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা হান্নসু লৈবাক অদু কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্কীদমক মতেং পাঙনবগী মখোয়গী শান্নরোইশিংনা থাগী তলব চাদা কূম্ব্রা মফম অদুদা লৈবা লোকেল হোস্পিটাল হেলঠ সাভিসকীদমক কখোল্লগা ফন্দ তানশিন্দুনা নেস্নেল হেলঠ সার্ভির্স চেরিটিদা মতেং পাঙখিবা লৈরে।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*